# চাইনানা ব্রিক্স সম্মিটতা শেল থুমগী ফিভম ফগৎলক্লিবা গ্রুপ্পিং অসিবু চাওথোকহন্নবা তকশিনখ্রে




**জোহানেসবর্গ, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):**
চাইনানা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা শেল থুমগী ফিভম শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী ক্লব ওইরিবা ব্রিক্স চাওথোকহন্নবা আপিল তৌখ্রে।

মালেমগী ইকনোমিগী শরুক মরি থোকপগী অমা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা ব্রিক্সকী লৈবাকশিং ব্রাজিল, রসিয়া, ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী ওইবা নুমিৎ হুম্নিগী মীফম অমা জোহানেসবর্গতা পাঙথোক্লি।

হৌজিক গ্রুপ অসিদা য়াওনিংবা লৈবাকশিংগী মশিংসু য়ামখৎলক্লি। সাউথ অফ্রিকাদা পাঙথোক্লিবা ব্রিক্স সম্মিট হৌরকপদা সি জিনপিংগী মহুৎ শীন্দুনা মহাক্কী কমর্স মিনিষ্টর ৱাং ৱেন্টাওনা পাথোকখিবা চেরোল অমদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট জিনপিংনা মালেম্বু শেল থুম অমদি অতৈ হিরম কয়াদা দোমিনেট তৌনবা হোৎনবা হায়বসি চাইনাগী দি এন এ নত্তে হায়খ্রে।

জোহানেসবর্গতা পাঙথোক্লিবা মীটিং অদুগী পান্দমদি মালেমগী লৈবাকশিংদা মীচং চুংশিন্নবা নত্তুগা মুক্নবগী ব্লোক শেম্নবগী নত্তে। তশেংনমক মীটিং অসিগী পান্দমদি মরা তপ্পা ফিভম অমদি চাওখৎ খোঙথাংশিংগী আর্কিটেক অসিবু হেন্না চাওথোকহনবনি। অয়েৎ অপন কয়া লৈবনসু গুদ ৱিলগী পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অমসুং ষ্টেবল ওইবা ফোর্স অমা ওইরিবা ব্রিক্স অসি লেপ্তুনা চাওখৎলকখিগনি।

ঐখোয়না ব্রিক্সকী হেন্না মপাঙ্গল লৈবা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ অমা শেম্বগা লোয়ননা গ্রুপ্পিং অসিগী মেম্বর মশিং য়ামহন্নবা থৱায় য়াওনা হোৎনগনি অমদি হেন্না চুম্বা অমদি অনেম অৱাং লৈতবা মালেমগী ওর্দর অমা লাকহনবদা মতেং পাঙগনি হায়রি।

হ্বাইট হাউসকী নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জেক সুলেবানা ফোঙদোকখিবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ব্রিক্সপু য়ুএসকী জিও পোলিটিকেল রাইবেল অমা ওইরক্লি হায়না লৌদে। ৱাশিংতন্না ব্রাজিল, ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকাগা লৈনরিবা পোজিটিব ওইবা মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা হোৎনগনি। ঐখোয়না চাইনাগা লৈনরিবা মরীসু ঐখোয়গী মরীসু মখা তানা মেনেজ তৌবগা লোয়ননা ঐখোয়না রসিয়াগী অকন অরিং শীংবগী থৌওংগী মায়োক্তসু মখা তানা লেপখিগনি।

জোহানেসবর্গতা পাঙথোক্লিবা ব্রিক্সকী সম্মিট অসিনা য়ুক্রেনগী লানগী মতাংদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা খাইবুং তানরে হায়বসি উৎলি। লান অসিগা মরী লৈননা রসিয়ানা মালেমদগী নাইতোম তানা লৈরিঙৈ মরকসিদা লৈবাক অসিবু শৌগৎনবা কয়াসু য়াওরি। রসিয়ানা লান্দারিবদু সাউথ অফ্রিকা, চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবা কন্দেম তৌবা লৈতে।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং য়ুক্রেনদা খুৎলায়শিং থাজিল্লিবদুদা অমদি মোস্কোগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থল্লিবা অদুদা গ্রুপ্পিং অসিগী মেম্বর ওইরিবা ব্রাজিলনা য়াওশিনবা লৈতে।

য়ুক্রেনদা ৱার ক্রাইমশিং চথৈ হায়বগী মরালদা ইস্যু তৌখিবা ইন্টরনেসনেল এরেষ্ট ৱারেন্ট অমগী টার্গেট ওইরিবা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন মশা চত্তুনা সম্মিট অদুদা য়াওদে অমসুং মহাক্না হান্না রেকোর্দ তৌবা ভিদিওগী খুথাংদা সম্মিট অদুদা ৱা ঙাঙখি।

# ব্রিক্স সম্মিটতা ব্লাদিমির পুটিননা য়ুক্রেনদা শোক্নরিবা লান মরম চাই হায়খ্রে



**জোহানেসবর্গ, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):**
সাউথ অফ্রিকাগী জোহানেসবর্গতা পাঙথোক্লিবা ব্রিক্স লুচিংবশিংগী সম্মিটতা পীবা ৱারোলদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ুক্রেনদা শোক্নরিবা লান মরম চাই হায়না ফোঙদোকখ্রে অমসুং ব্রিক্স অসিবু য়ুএসনা মালেমদা দোমিনেট তৌনবা হোৎনরকপগী কাউন্টর বেলেন্স অমনি হায়রদুনা থাগৎখ্রে।

গ্রুপ অসিগী লুচিংবশিংদা ভিদিও লিঙ্ককী খুথাংদা ৱা ঙাঙখিবা পুটিননা য়ুক্রেনদা লান্দাখিবগী মতাংদা ক্রেমলিননা পীখিবা মরমশিং নৌহৌননা পল্লদুনা মদু কিভ অমসুং ৱাশিংতনগী হোষ্টাইল ওইবা এক্সনশিংগা মরী লৈননা রসিয়ানা পীখিবা রেস্পোন্সনি হায়খি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাখিবগী খোঙথাং অসিবু য়ুক্রেন অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা লম মুন্নবা চথুরকপা ইম্পেরিয়েলিষ্টকী থৌওংনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখিবনি।

পুটিননা হায়খি, ঐখোয়না য়ুক্রেনদা চথুরক্লিবা খোঙথাংশিং অসি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমদি মখোয়বু শৌগৎপশিংনা দোনবাষ্টতা লৈরিবা মীয়ামগী মায়োক্তগা চথুরকখিবা লান লোইশিন্নবা খক্কী পান্দমদনি।

রসিয়ন প্রসিদেন্ট অসিনা ৱাফম অসি কুমজা ২০১৪ দগী রসিয়ন প্রোক্সিশিংনা য়ুক্রেনিয়ন আর্মিগা লান্থেংনরক্লিবা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা লমদম অসিবু পল্লদুনা ফোঙদোকখিবনি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমদি মখোয়বু শৌগৎপশিংনা মালেম অসিবু দোমিনেট তৌবা পাম্মী হায়বা ৱাফম অসি ঐহাক্না মালেম পুম্বদা খঙহনবা পাম্মী। লৈবাক খরনা অসিগুম্বা পান্দমগা লোয়ননা চথুরকখিবা থৌওংশিংনা মরম ওইদুনা য়ুক্রেনদা হৌজিক থোক্লিবা ক্রাইসিস অসি লাকহনখিবনি।

প্রসিদেন্ট পুটিননা য়ুক্রেনদা চথুরিবা রসিয়াগী এক্সনশিং হৌজিক ফাওবদা কন্দেম তৌদনা লাক্লিবা লৈবাকশিংগী ফোরম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা পুটিননা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

ব্রাজিল, ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং সাউথ অফ্রিকাসু য়াওরিবা ব্রিক্সনা এসিয়া, অফ্রিকা অমসুং লেটিন অমেরিকাগা লল্লোন ইতিক্কী মরীশিং চেৎশিলহন্নবা হোৎনদুনা নোংচুপলোম্না য়ুক্রেনগী লানগা মরী লৈননা রসিয়াদা থল্লকখিবা অথিংবশিংগী চৈথেং হন্থহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

# প্রসিদেন্ট সি জিনপিংবু করেম্নখিবা মীওই চাইনাদগী জেট স্কি তোংদুনা চেল্লগা সাউথ কোরিয়া য়ৌখ্রে



**সিওল, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):**
জেট স্কি অমা তোংলগা চাইনা থাদোক্লগা কিমি ৩০০ হেন্না শাংবা সমুদ্রগী খোঙচৎ অমা পাঙথোক্তুনা সাউথ কোরিয়া য়ৌরকখিবা চাইনিজ নুপা অমা চহী কয়াগী মমাঙদা চাইনিজ লিদর সি জিনপিংবু করেম্নখিবগীদমক্তা জেলদা লৈখ্রবা মীশক্নি হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী পুলিস অমনা ফোঙদোরক্লি।

সাউথ কোরিয়াগী কোষ্ট গার্দনা হায়রিবদি কোষ্ট গার্দনা চহী ৩০ খরা হেল্লবা চাইনিজ নুপা অমা ওগষ্ট ১৬ তা দিটেন তৌখি। মহাক লাইফ জেকেট অমা লিৎলগা, হেলমেট উপ্পগা অমসুং টেলেস্কোব অমা, কোম্পাস অমগা লোয়ননা ফ্যুএলগী কন্টেন্নর মঙা পুরগা সিসি ১,৮০০ গী জেট স্কি অমদা তোংলগা চাইনাদগী লাকখিবনি। নোংচুপ থংবা সমুদ্র মপানগী সিটি ইঞ্চিওনদা কোষ্ট গার্দনা মহাকপু ফাজিনখিবনি। অদুম ওইনমক মীওইসিগী মশক মমিংদি ফোঙদোরকখিদে।

এজেন্সিনসু খুদক্কী ওইনা মীওই অদুবু কন্টেক্ট তৌবা ঙমখিদে অমদি চাইনিজ এম্বেসিগী প্রেস ওফিসর অমদা করি লৈবগে হংবদসু ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

সাউথ কোরিয়ন এক্তিভিষ্ট লি দে-সিওলনদি মীওই অদু কোনপিওং কৌই হায়না ফোঙদোকখি। লিগী মতুং ইন্না মীওই অদু কুমজা ২০১৬ দা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংবু করেম কথাইনবা স্লোগানশিং ইবা টি সার্ট অমা লিৎলগা লৌবা সেলফি অমা সোসল মেদিয়াদা থাগৎখিবা মতুংদা জেলগী চৈরাক অদু পীখিবনি।

মহাক পোলিটিকেল প্রেসরনা মরম ওইদুনা চাইনাদগী চেন্নবা লেপখিবা মাল্লি হায়না ঙরাং দিটেন্সন সেন্টর অমদা লৈরিবা কোনপিওংগা উন্নখিবা লিনা ফোঙদোকখি।

লিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জেট স্কি তোংদুনা পাঙথোকখিবা মহাক্কী ঈশিংগী খোঙচৎ অদুগী মতুংদসু কোনপিওংগী হকচাংগী ফিভম ফনা উখি। সাউথ কোরিয়ন মেদিয়া রিপোর্টশিংদা মহাক্কী খোঙচৎ অদু পুং ১৪ চঙখি হায়রি।

# কাপ্তুনা হাৎখিবা য়ুএসকী অঙাং মশিং কুমজা ২০২১ দা রেকোর্দ ওইনা ৱাংখি

**ৱাশিংতন, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):**
অমেরিকন একাদেমি ওফ পেদিয়াট্রিক্সনা ফোঙবা অনৌবা ষ্টদি অমগী মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা নোংমৈনা কাপ্পদা শিখিবা অঙাং মশিং রেকোর্দ ওইনা ৱাংলি।

সেন্টর্স ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী মোর্টেলিটি দেটা বেজ শীজিন্নবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা এএপিগী জর্নেল পেদিয়াট্রিক্সতা ফোঙখিবা ষ্টদি অদুগী মতুং ইন্না দেটা অদুবু শীজিন্নবা য়াহল্লিবা খ্বাইদগী নৌবা চহী ওইরিবা কুমজা ২০২১ দা নোংমৈগা মরী লৈনবা ইঞ্জুরিশিংনা মরম ওইদুনা অঙাং ৪,৭৫২ শিখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২০ দা শিখিবা অঙাং মশিং ৪,৩৬৮ অমসুং কুমজা ২০১৯ দা শিখিবা মশিং ৩,৩৯০ দগী হেনখি।

কুমজা ২০২০ দগী গন ভাইওলেন্সনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা অঙাংশিং শিহনবগী মরমশিংগী মরক্তা মকোক্তা লৈখি। চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা নেসবিলদা লৈবা স্কুল অমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা অঙাং অহুম অমদি ওজা অহুম শিখিবা মতুংদা টেনেসিগী লো মেকরশিংনা পব্লিক সেফতিগা মরী লৈননবা অখন্নবা সেসন অমা হৌখিবগা লোয়ননা ষ্টদি অদু ফোঙখিবনি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিদবা সাউথ কেরোলিনাগী পেদিট্রিসিয়ন অমা অমসুং গন ভাইওলেন্স রিছার্সর অমা ওইরিবা এনি এন্দ্রুসনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না দোক্তর অমা ওইরকখিবা মতমদা মশাদা নোংমৈনা পানবগী মখুনশিং লৈরবা মশিং য়াল্লবা অঙাংশিং মহাক্না ক্যের লৌরক্কনি হায়না মহাক্না কৈদৌঙৈদসু ৱাখল তৌরুবা লৈতে।

তশেংনমক লৈবাক অসিগী অঙাংগী হোস্পিটাল খুদিংমক্কী পেদিয়াট্রিক ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিটশিংদা নোংমৈনা পানবদগী শোক্লবা অঙাংশিং লৈ। নোংমৈনা পানবদগী শিখিবশিংগী চাদা ৬৭ লোমদি অমুবা অঙাংশিংনি অমসুং নোংমৈ শীজিন্নরগা পাঙথোকখিবা সুইসাইদশিংগী চাদা ৭৮ লোমদি অঙাংশিংনি হায়বসিসু ষ্টদি অদুনা উৎখি।

# থাইলেন্দগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর থক্সিন সিনাৱাট্রা হোস্পিটলাইজ তৌখ্রে



**বেঙ্কোক, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):**
মতম শাংনা মপানদা চেন্দুনা লৈরুরগা মরমদমদা হল্লকপদা জেলদা থমখিবা থাইলেন্দগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর থক্সিন সিনাৱাট্রা জেলদা লৈবা হৌবা অহানবা অহিংদা হার্টকী প্রোব্লেম অমসুং ব্লদ প্রেসরগী কমপ্লেন্টগা মরী লৈননা হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মীয়াম্না পাম্নরবা লম্বা লৈতে হায়না লৌনরবা ফ্যু থাই হৌদোকখিবা মশাগী চহী ৭৪ শুরবা বিলিনিয়র থক্সিনগী হৌজিক ওইরিবা হকচাংগী ফিভম শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

হিরম অসিগী মতাংদা হংবদা মহাক্কী রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা খুদক্কী ওইনা পাউখুম অমত্তা পীরকখিদে। করেক্সন দিপার্টমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি থক্সিননা মথবাক ফুঞ্জিল্লক্লে অমসুং মহাক্কী ব্লদ প্রেসর ৱাংলক্লে হায়না কমপ্লেন্ট তৌরকখি। মহাক্কী কমপ্লেন্ট অদুগী মতুং ইন্না মহাকপু ঙসি অয়ুক পুং ২ রোম তাবা মতমদা বেঙ্কোক্কী পুলিস হোস্পিটালদা রিফর তৌখি।

থাইলেন্দগী হান্নগী পিএম থক্সিন ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মরৈবাক্তা হল্লকখি অমসুং মহাকপু য়াম্না থুনা জেলদা ঙাক শেন্দুনা পুখি। খোঙথাং অদুনা নুমিৎ অদুগী অথেংবদা পার্লিয়ামেন্টদা ভোট লৌনদুনা প্রাইম মিনিষ্টর খনখিবা মহাক্কী পোলিটিকেল এলাই শ্রেথা থাবিসিন ফাওবা মীয়াম্না ঙাইহাক্তং কাউনবগুম থোকখি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা ফ্যু থাই পার্টিগী শ্রেথা নিংথৌনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা থাইলেন্দগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টরনি হায়বসি কনফার্ম তৌখিবনি।

পুলিসকী মতুং ইন্না জেল অদুনা থক্সিনদা পীফম থোকপা ক্যের পীগনি হায়বগী গেরেন্টি তৌবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা মহাকপু হোস্পিটলাইজ তৌখিবনি। এসিষ্টেন্ট নেসনেল পুলিস চীফ লেফটনেন্ট জেনরেল প্রচুৱাব ৱাংসুক্না ফোঙদোকখিবদা জেল ওথোরিটিশিংনা ওইরক্লিবা ফিভম অদু য়েংশিনখিবগা লোয়ননা পেসেন্ট অদু ক্যের লৌবা ঙম্বা ডাক্তরশিং অমসুং মেদিকেল ইক্বিপমেন্ট ৱাৎলি হায়বসি খঙবা ঙল্লে হায়রি।

# ব্লেক সীগী গ্রেন দিল চৎনখিদ্রবা মতুংদা য়ুক্রেনগী গ্রেন ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা দ্রোন এটেক চথখ্রে

**কিভ, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):**
ঙসি য়ুক্রেনগী খা থংবা ওদেশা রিজনদা লৈবা হৱাই চেঙৱাইগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা রসিয়ানা দ্রোন এটেক চথুরকখি হায়না লোকেল গভর্ণরনা ফোঙদোকখ্রে।

মদু ব্লেক সীগী পোর্টশিংদগী হৱাই চেঙৱাইশিং পুবা ভেসেলশিং অয়েৎ অপন পীদনা চথোক চৎশিন য়াহল্লিবা দিল অমা চৎনখিদবা মতুংদা রসিয়ানা চথুরকখিবা খ্বাইদগী নৌবা দ্রোন ষ্ট্রাইকনি।

গভর্ণর ওলেক কিপ্পরনা টেলিগ্রাম পোষ্টকী খুথাংদা হায়রিবদি প্রদক্সন অমসুং ট্রানশিপমেন কমপ্লেক্সশিংদা দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং চথুরকখি। অমাঙ অতা থোকখিবশিংগী মনুংদা হৱাই চেঙৱাইগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর য়াওখি। ষ্ট্রাইকশিং অদুদা মীচম মীয়ামদা অশোক অপন থোকপদি লৈখিদে।

য়ুক্রেনগী সাউদর্ন মিলিটরি কম্মান্দনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি দ্রোন ষ্ট্রাইক অদু চথুরিঙৈ মনুংদা এয়র দিফেন্স ফোর্সশিংনা ইরাননা শাবা সাহেদ এটেক দ্রোন মাপন থুগায়খি। য়েক্নবনা দানুবেদা লৈবা হৱাই চেঙৱাই পৈফমশিং অমদি প্রদক্সন অমসুং ট্রান্সশিপমেন কমপ্লেক্সতা টার্গেট তৌরকখি।

লান্দা অদুদা ৱ্যের হাউসতা চাল্লকখিবা মৈ য়াম্না থুনা লাকশিনখি অমসুং ফায়র ফাইটরশিংগী থবক লেপত্রি হায়না কিপ্পরনা মহাক্কী পোষ্ট অদুদা ইখি। য়ুএননা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা দিল অদুদগী তোকখিবদগী মোস্কোনা হৱাই চেঙৱাইশিং থাদোক থাজিনদা য়াম্না মরু ওইরিবা পোর্টশিং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লৈরিবা য়ুক্রেনগী সাউদর্ন ওদেশা অমসুং মাইকোলাইভ রিজনশিং মোস্কোনা দ্রোন অমদি বোম্মিং এটেকশিং চথুদুনা লাক্লি।

# পিএম মোদিনা সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্টগা ৱারী শানদুনা লৈবাক অনীগী ৱাফমশিং খন্নখ্রে



**জোহানেসবর্গ, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):**
ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট সিরিল রমাফোসাগা ৱারী শানদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা লল্লোন-ইতিক, দিফেন্স অমসুং ইনভেষ্টমেন্টগী ৱাফমশিং খন্নখ্রে।

লুচিংবা অনীনা ব্রিক্স সম্মিটকী নাকোয়ননা উন্নদুনা লৈবাক অনীগী ওইবা ৱাফমশিং খন্নখিবনি। সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট রমাফোসাগা উন্নরবা মতুংদা মোদিনা এক্সতা থাগৎপা পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না প্রসিদেন্ট সিরিল রমাফোসাগা উন্নদুনা লৈবাক অনীগী ওইবা মরীগী হিরম কয়াদা ৱারী শানখিবদু য়াম্না কান্নখি।

ইন্দিয়া-সাউথ অফ্রিকাগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ঐখোয়না মখল মখা কয়াগী ইস্যুশিং খন্নখি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা য়াওখিবা মরু ওইবা ৱাফমশিংদি লল্লোন-ইতিক, দিফেন্স অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট অসিনি। গ্লোবেল সাউথকী খোঞ্জেল হেন্না মপাঙ্গল লৈহন্নবসু ঐখোয়না মখা তানা হোৎনখিগনি হায়না মোদিনা পোষ্ট অদুদা ফোঙদোকখি।

# ব্লেক সীদা দ্রোনশিং ইন্টরসেপ্ট তৌনবা রসিয়ানা ফাইটর জেটশিং থাজিনখ্রে

**মোস্কো, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):**
ব্লেক সীগী নোংথক্তা দ্রোন অনী ইন্টরসেপ্ট তৌনবগীদমক ফাইটর জেট অনী থাখ্রে হায়না রসিয়ানা ফোদোকখ্রে।

রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা দ্রোনশিং অদু করম্বা লৈবাকশিংনা দিপ্লোই তৌরিবনো হায়বদি পল্লকখিদে। দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা দ্রোনশিং অদু এম ক্যু-৯ রিএপর অমগা বেরাক্তার টিবি ২ অমগনি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়রি, রসিয়াগী ষ্টেট বোর্দর ভাইওলেট তৌবা থিংননবা অমসুং য়ু এ ভিশিং অদুনা ইলেক্ট্রোনিক রিকোনিসন্স কন্দক্ট তৌবগী মায়োক্তা লৌখৎপা খোঙথাং অমা ওইনা রসিয়ন ফাইটর জেট অনী থাখ্রে।

য়ু এ ভিশিং অদু মখোয়গী ফ্লাইট দিরেক্সন হোংখি অমসুং রসিয়ন জেটশিং পাইশিল্লকখিবদুনা মরম ওইদুনা দ্রোনশিং অদু এরিয়েল রিকোনিসন্স পাঙথোক্লিবা মফমশিং অদু থাদোকখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জুলাইগী ময়াই থংবা শরুক্তা রসিয়ানা য়ুক্রেনদগী হৱাই চেঙৱাইশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা এক্সপোর্ট তৌবা য়াহল্লিবা দিল অমদগী ৱিদ্রো তৌখিবদগী নাকল অনীমক্তা এটেক কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা ব্লেক সীদা উংখৎনবা হেনগৎলকখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা মফম অদুদা য়ুক্রেনগী মিলিটরি হি অনী থুগায়খ্রে হায়না রসিয়ানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা রসিয়া অমদি নোংচুপলোমগী এয়রক্রাফট চেন্নবা থৌদোকশিংসু ব্লেক সী অমদি বালটিক সীদা হেনগৎলকখি।

# বসতগী মখুৎ হাইখিবা নুপীমচা অমা মকোক্না পোলদা থোমজিনবদগী লৈখিদ্রে

**ব্রাজিলিয়া, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):**
থম্মোয় শোক্নিংঙাই ওইরবা থৌদোক অমদা ব্রাজিলগী স্কুল তল্লিবা নুপীমচা অমা বসকী থোঙনাওদগী লিৎথোক্লগা মমান্নবীশিংদা মখুৎ হাইরিঙৈদা কনক্রিট পোল অমদা মকোক্না য়ৈশিনবদগী লৈখিদ্রে হায়না ন্যু য়োর্ক পোষ্টকী রিপোর্টনা হায়রি।

থৌদোক অদু ওগষ্ট ১৬ তা রিও দে জনৈরোগা নক্নবা লৈবা নোবা ফরিবুরগোদা থোকখিবনি। মশাগী চহী ১৩ শুরবী ফেনান্দো পাচেকো কৌবী নুপীমচা অদুনা প্রোফেসর কার্লোস কোর্টেস কোলেজদগী ময়ুমদা হল্লকপদা লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

উহৌবশিংনা ফোঙদোকখিবদা নুপীমচা অদুনা মমান্নবীশিংদা মখুৎ হাইবা য়ানবা বস অমগী ওয়থংবা সাইটতা লৈবা থোঙনাও অমদগী মকোক লিৎথোরকখি। লাইবক থীবদি বস দ্রাইভর অদুনা লম্বীদা মায়োক্নুনা লাক্লিবা গাড়ীশিংগা থেংজিন্নদনবা মহাক্কী গাড়ী অদু মমায় খঙলৈ লৈথোকপদগী নুপীমচা অদুগী মকোক অদু কনক্রিট পোল অমদা থেংজিনখিবনি।

মহাক্কী মকোক্না পোল অদুদা থেংজিনবা উবদা পাখৎলবা পেসেঞ্জরশিংনা দ্রাইভরদা পাউ পীদুনা খঙহনখি। দ্রাইভরনা খুদক্তা গাড়ী অদু খামখি। মতুং তাবদা বস দ্রাইভর অদুনা য়াম্না থুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং অমদি কম্পেনিগী মেনেজমেন্ট টিমদা পাউ পীখি।

অদুম ওইনমক নুপীমচা অদুগী মকোক্তু শাথিনা শোকপগা লোয়ননা মফমদুমক্তদা খুদক্তা শিখি।

[illegible]

# ইন্দিয়ানা এক্সপোর্ট দ্যুটি চাদা ৪০ ওইহল্লকপদগী নেপালদা তিলহৌ ফঙলক্তবগী ফিভম অমা লাক্লে



**কাঠমান্দু, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):**
ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী এগ্রিকলচরেল এক্সপোর্ট আইটেম অমা ওইরিবা তিলহৌদা এক্সপোর্ট দ্যুটি চাদা ৪০ ওইহল্লকপদগী নেপালদা হৌজিক তিলহৌ ফঙবগী অৱাবা ফিভম অমা মায়োক্নরক্লে।

ইন্দিয়াদগী তিলহৌ ইম্পোর্ট তৌবা লেপখিবদগী কাঠমান্দুদা লৈবা কালিমাটি ফ্রুট এন্দ ভেজিটেবল মার্কেটনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী মমলগী লিষ্টতগী তিলহৌ লৌথোকখ্রে।

কাঠমান্দু ভেলিগী মীয়ামদা অতেকপা মনা মশিং অমসুং হৈ-রাশিং ফংহল্লিবা কাঠমান্দুদা লৈবা মরু ওইবা অমসুং খ্বাইদগী চাওবা মনা মশিং অমদি হৈ-রাগী মার্কেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কালিমাতি ফ্রুট এন্দ ভেজিটেবল মার্কেটকী ইনফোর্মেসন ওফিসর বিনয় শ্রেস্থানা ফোঙদোরকখিবদা ঐখোয়গী ভেন্দর ৮০ না তিলহৌ য়োন্দুনা লাক্লি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা নুমিৎ নীনি অসিদা মখোয়গী ষ্টোক্তা তিলহৌ লৈরক্তবদগী ঐখোয়না আইটেম অসি মমলগী লিষ্টতগী লৌথোকখিবনি।


য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা এক্সপোর্ট দ্যুটি থল্লকপদগী নেপালদা তিলহৌগী মমল খঙৱাং ৱাংখৎলকখি। নেপালদা তিলহৌগী মমল কেজিদা লুপা ৫০ ওইরম্বদগী হৌজিক কেজিদা লুপা ৯০ দগী ১০০ ফাওবা পীরে।

নেপালনা লৈবাক অসিগী মথৌ তাবা তিলহৌগী চাং পুম্নমক ইন্দিয়াদগী পুশিনবনা এক্সপোর্ট দ্যুটি ৱাংখৎলকখিবা অসিনা দোমেষ্টিক মার্কেটতা তিলহৌ ফঙলক্তবগী ফিভম অসি লাকপনি।

ট্রেদরশিংনা হায়রিবদি হিমালয়ন কিংদম নেপালদা তিলহৌ ফঙবা ৱারক্লিবসি তিলহৌ শীজিন্নবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লিবা লৈবাক অসিগী হরাও কুম্মৈগী সিজনগা চান্নরুবননি।

দিসেম্বর ২১ ফাওবা তিলহৌদা এক্সপোর্ট দ্যুটি চাদা ৪০ ওইহনখিবসি নেপাল্লি ফেষ্টিবেল অয়াম্বা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা পাঙথোকপগা চান্নরি। মহৌশানা কাঠমান্দুদা লৈবা কালিমাতি ফ্রুট এন্দ ভেজিটেবল মার্কেটনা চাংচৎতা তিলহৌ টন ১০০ ইন্দিয়াদগী পুশিল্লকই। তৌইগুম্বসু এক্সপোর্ট দ্যুটি চাওনা থল্লকপা তৌখিবা অসিদগী ইন্দিয়াদগী লৈরিবা তিলহৌগী চাং অসি হৌখিবা নোংমাইজিং অমসুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা টন ৪০ দা হন্থখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তগীদি তিলহৌ লৈবাকসিদা পুশিল্লকপা লেপখ্রে হায়না শ্রেস্থানা ফোঙদোকখি।

দোমেষ্টিক প্রদক্সন নেম্বনা মরম ওইবনা নেপালনা ইন্দিয়াদগী তিলহৌ লৈরগা শীজিন্নদুনা লাক্লি। মমাঙগী শেনবা চহী মনুংদা লৈবাক অসিনা লুপা বিলিয়ন ৬.৭৫ গী তিলহৌ টন ১৮০,১৯০ লৈখি।



HL-P/7162/ Aug 18,20,22,24,27,29,31, Sept 2,4,6,8,10,12,14